## সুসিল কুমার সিন্ধেনা কেজ্রিৱালবু অঙাওবা সি এমনি হায়না চৈখ্রে



*নিউ দিল্লি, জনুৱারি* ২২ ঃ হোম মিনিষ্টর সুসিল কুমার সিন্ধেনা দিল্লিগী চিফ মিনিষ্টর আর্বিন্দ কেজ্রিৱালদা ঙসি য়ুমশকৈশা নুমিত্তা চথখিবা এটেক অমা ওইনা আর্বিন্দ কেজ্রিৱাল অঙাওবা চিফ মিনিষ্টরনি হায়না চৈখ্রে।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, দিল্লিগী পুলিস খরা সসপেন্দ তৌননবগী ৱাফমদা দিল্লিগী চিফ মিনিষ্টর কেজ্রিৱালনা সিট–ইন–প্রোটেষ্ট চথখি। প্রোটেষ্ট অদু লৈবাকপোকপা নুমিৎকী নুমিদাংদা লোয়শিল্লে হায়না লাউথোকখি। মহারাষ্ট্রগী হিঙ্গোলিদা পাঙথোকখিবা মীফম অমদা সিন্ধেনা হায়খিবদা দিল্লিদা মথৌ তৌরিবা পুলিস পার্সোনেল অমনা লাকখিবা ইরাং অদুনা মরম ওইরগা ছুটি লৌবা ফংখিদে। মদু দিল্লিগী অঙাওবা চিফ মিনিষ্টর অদুনা ধরনা ফমজিনখিবদগী ওইহল্লকখিবনি হায়না ফোঙদোরক্লি।

মমাংদা দিল্লিগী চিফ মিনিষ্টর আর্বিন কেজ্রিৱালনা দিল্লি পুলিসপু সরকার অদুগী মখাদা লৈহন্নবা হোম মিনিষ্টরদা তকশিল্লদুনা দিমান্দ কয়া চংশিন্নবা ৱারেপ লৌখি। মদুগী মতুংদা দিল্লিদা নুপীগী মায়োক্তা চথবা ক্রাইম কয়া হেনগৎলক্লি। লমদম অদুদা হেনগৎলক্লিবা হিংশাগী থবক থৌরমশিং অদুগী মায়োক্তা কেজ্রিৱাল অমসুং মহাক্কী সপোর্টরশিংনা রেল ভারান্দা প্রোটেষ্ট চথরকখি। কেজ্রিৱালনা সিন্ধেবু করপসন তৌবা লোয়নননা আম আদমি পার্টিনা প্রোটেষ্ট চথরিবা মফম অদু তনখায়নবা হায়রকখিবা মীওই অমনি। কেজ্রিৱালনা দিল্লি পুলিসকী ওফিসার অনি থবক্তগী নমদুনা ছুটি পীখ্রবা মতুং মহাক্কী খোঙজং অদু হন্দোকখিবনি হায়না ফোঙদোরক্লি।

জানুৱারী ২৬ তা পাঙথোক্কদবা রিপব্লিক ডেগী থৌরমদা কেজ্রিৱাল অমসুং মহাকপু শৌগৎপশিংনা খুদোংচাদবা কয়া থোকহনগনি হায়না লাউথোক্লকখিবগী মতুং ইন্না চেকশিন থৌরাং কয়াসু লৌখৎখি।

## অর্বিন্দ কেজ্রিৱাল লায়কন্নখ্রে
## এ এ পিগী মথক্তা এফ আই আর থাঙ্গৎলক্লি

**ন্যু দিল্লি,** জনুৱারি ২২ঃ দিল্লিগী চীফ মিনিষ্টর অর্বিন্দ কেজ্রিৱাল মশা ঙ্গ্রক্তবদগী ঙসি অয়ূক মহাক্কী য়ূমগা নক্লনা লৈবা য়াসোদা হোস্পিটালদা পুখৎতুনা লায়কন্নখ্রে। মহাক নুমিৎ খরনিগী মমাঙদগী লোক কন্না খুদুনা নারকখিবনি।





দিল্লিগী চীফ মিনিষ্টর অদুনা লুচিংদুনা রেল ভৱন মমাঙদা চথরকখিবা খোঙজং অদু ঙরাং নুমিদাং হন্দোকখি। মদুগী মমাঙদা নিংথৌকাবা নুমিৎকী ঈংলবা নুমিদাংগী মতম অদু লন্বীগী মতাইদা অহিং য়ারেকখি।

ঙরাং লৈবাকপোকপা নুমিৎ অদুসু দিল্লিদা খ্বাইদগী ঈংবা অনীশুবা নুমিৎ ওইখিবনি। চৈরকসিদা, দিল্লি পুলিসনা ভারতকী কোনুংদা লৈবা রেলভৱন মমাঙদা প্রোটেষ্ট চথখিবগীদমক আম আদমি পার্টিগী মীওইশিংগী মথক্তা এফ আই আর অমা থাঙ্গৎখ্রে। এফ আই আর অদু মশক মমিং তাকথোক্তবা মীওই অমনা থাঙ্গৎলকখিবনি।

দিল্লিদা চঙশিনখিবা খোঙজং অদু চীফ মিনিষ্টর কেজ্রিৱালনা লুচিংখিবনি। অদু ওইনমক, এফ আই আর অদুদা কেজ্রিৱালগী মিংদি পল্লকখিদে হায়রি।

হান্নগী আই পি এস ওফিসর কিরন বেদিনা কেজ্রিৱালগী মথক্তা এক্সন লৌখৎকন্দবনি হায়না ফোঙদোরক্লি। মহাকনা দিল্লিদা চীফ মিনিষ্টর অমা ওইনা চথখিবা থৌওং অদু চুমদে। মহাক্কী মথক্তা আইনগী ওইবা থবকশিং লৌখৎকন্দবনি হায়খি।

লৈবাকপোকপা নুমিৎতা দিল্লিগী লেফ্‌টনেন্ট গভর্ণর নাজিব জংনা আপীল তৌরকপগী মতুং ইন্না রিপব্লিক ডে থৌরমগা মরী লৈননা দেলিদা জাতিগী ওইবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎকদবা লৈবনা কেজ্রিৱালগী খোঙজং অদু হনদোক্লবা খঙহল্লকখি।

গভর্ণরনা আম আদমিগী দিমানদ অদু মচেৎ ওইনা য়াখি। ৱাফম অদু কেজ্রিৱালনা খোঙজং চঙশিল্লিবশিংদা ঙরাং নুমিদাং ফোঙদোকখি।

লেফ্‌টনেন্ট গভর্ণরনা হায়খিবা অদুদি দিল্লি পুলিসকী ওফিসিএল অনী নমদুনা ছুটিদা লৈহনখ্রে। মখোয়গী মথক্তা জুদিসিয়েল ইনক্কারি তৌবা দরকার লৈ হায়রকখিবনি। মদুগী মতুংদা কেজ্রিৱালগী খোঙজং অদু লোইশিনখিবগা লোয়নননা মহাক্না ফোঙদোকখিবদা মদু দিল্লি মীয়ামগী মায় পাকপনি হায়খিবনি। দিল্লি কোংগ্রেসকী লুচিংবা অর্বিন্দ সিংহনা কেজ্রিৱালবু লৌনম চাওবা মীওইনি হায়না ফোঙদোরক্লি।

দ্রগ অমসুং প্রোষ্টিট্যুশনগী মায়োক্তা থবক লৌখৎলু য়াদবা পুলিস ওফিসিএল মঙা সস্পেন্দ তৌননবা নুমিৎ ১০নিগী খোঙজং চঙশিনগনি হায়না লাউথোকখিবনি। দিল্লিগী লো মিনিষ্টর সোমনাঠ বর্তিনা দেলি পুলিসতা ৱাফম অদু খঙহনবদা থবক পায়খৎ–লকখিদবদগী খোঙজং অদু হৌরকখিবনি।

অদুম ওইনমক লেফ্‌টনেন্ট গভর্ণরনা পুলিস পর্সনেল অনী ছুটিদা লৈহনখিবনি, সস্পেন্দ তৌখিবা নত্তে। অদুগা দেলি পুলিসপু দিল্লি গভর্ণমেন্টকী মখাদা লৈহন্নবা ৱাফম অদুদি সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা য়াবা ঙম্লোই হায়রি।

## অচুম্বদু খঙমিন্নসি


### মালেম লৈকোইপুংগী ৱাংমদা–২

*হৌজিক ফাওবদা চহি ৫৬ মুকসিদা মালেমসিদগী সেট্রলাইট মখল কয়া থাগৎখ্রে। হায়রিবা সেট্রলাইটশিং অসি এষ্ট্রোনোমি, কমুনিকেশন, আর্থ ওবজার্ভেশন, মিলিটরি অমদি গ্লোবেল পোজিসনিং সিষ্টেম হায়রিবা ল্মশিং অসিদা থিজিন্নবা অদুগা ঈ–পাউ লৌনবগীদমক থাগৎপনি। এষ্ট্রোনোমিগী লম্‌দা থাগৎখিবা সেট্রলাইট অসি য়াম্না পৱারফুল ওইবা টেলিস্কোপ অমা য়াওই। হব্বল স্পেস টেলিস্কোপ হায়বা সেট্রলাইটসিনা য়াম্না থাপখ্রবা গেলেক্সিশিংগী ফোটোগ্রাফ লৌরগা ইং ১৯৯০ দগী মালেমদা থারকপা হৌখি। কম্যুনিকেশনগীদমক্তা থাগৎপা সেট্রলাইটনা হৌজিক ফাওবদা মশীং খ্বাইদগী য়াম্লি। টেলিফোন, রেদিও অমদি টেলিভিজন সিগ্নেলগীমক্তা হৌজিক ফাওবদা থাগৎখিবা সেট্রলাইট লিশিং ৫ মুক অসিগী মনুংদা তঙ্খায়মুক্তি হৌজিকসু ওর্বিৎতা লৈদুনা মথৌ তৌরি, তঙ্খায় অমদি মথৌ তৌখিদ্রে। আর্থ ওবজর্ভেশন সেটেলাইটনা মালেমগী অঙৈং–অশা, হৱা–নুংশিৎ অমদি মালেমগী অকোইবগী ফিভমগী মরমদা থিজিন্দুনা মথৌ তাবা ফোটোগ্রাফশিং মালেমদা থারক্লি। ওজোন লায়র শোকচিল্লকখিবগী ফিভম অসিসু সেটেলাইট মখলসিনা দিটেক্ট তৌখিবনি। মিলিটরি সেটেলাইট অসিদি অহাংবা মালংদা থম্বা স্পাই ওইনা শীজিন্নৈ। লৈবাক লৈবাকশিংগী মরী লৈনবা মিলিটরিগী ঈ–পাউশিং মসিনা পীরকই অমদি মদু অরোনবা অমা ওইনা থম্মী। গ্লোবেল পোজিশনিং সিষ্টেমগী থাগৎলিবা সেট্রলাইট মথৌসিদা পূন্না সেট্রলাইট কুনমরিনা অমগা অমগা মরী লৈনদুনা ৱার্ক তৌই। অশম্বীদা জিপি এস হায়নসু খঙনবা সিষ্টেম অসিগী মতেংদগী কম্প্যুটরদা নৎত্রগা জি পি এস সিষ্টেম য়াওবা মোবাইল হেন্দ সেটতা মালেমদা লৈরিবা মফম অমা হেক্তা য়েংবা য়াই। হৌজিক্তি হেন্না শম্বা লম্বী থিনবা অমদি ত্রাফিক জাম ওইদবা মফম থিদুনা চৎনবা কার অয়াম্বদা জি পি এস সিষ্টেম অসি হাপ্লে।*

## সোমনাথ ভরটিগী মথক্তা চপ চাবা এক্সন লৌখৎনবা সন্দিপ দিক্সিটনা ৱাকৎখ্রে



সোমনাথ ভরটি



সন্দিপ দিক্সিট

*নিউ দিল্লি, জনুৱারি* ২২ ঃ কংগ্রেসকী এমপি সন্দিপ দিক্সিটনা দিল্লিগী লো মিনিষ্টর সোমনাথ ভরটিগী মথক্তা পুলিসকী চপ চাবা এক্সন লৌখৎনবা দিমান্দ তৌরক্লি। এ এ পি গী লুচিংবা অমা ওইরিবা মীওই অদু উগন্দাগী নুপী অদুনা মঙোন্দা চথরকখিবা নাতে চাদবা থৌদোকশিংগী মতাংদা চপ চানা ফোঙদোরকখ্রবা মীশক্লি। উগন্দাগী নুপী অমা অমসুং নহা ওইরিবা নুপীমচা অমা দিল্লিগী মালভিয়া নগরদা লৈবা খিরকি এক্সটেন্সন্দা নুমিৎ অদুগী অহিং নোংয়াইদা লুচিংবা অদুনা মওং চাদবা থবক কয়া চথখি হায়না মরাল শিরক্লি।

সন্দিপনা মখা তানা ফোঙদোরকখিবদা, আম আদমী পার্টিগী মেম্বরশিংদা স্পেসিয়েল ওইবা রাইট পীবগী ৱাফম লৈতে। মখোয়গী মথক্তা পুলিসনা চপ চাবা এক্সন লৌখৎকদবনি। কংগ্রেসকী লুচিংবা অদুনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, এ এ পি গী পার্টি মেম্বরশিং অদুনা অদুগুম্বা নাতে চাদবা থবকশিং অদু চথদুনা লৈরব্রা হায়বগী চিংনবা লৈ হায়খি।

আর্বিন্দ কেজ্রিৱালনা মহাক্কী পোইন্ট ১৮ গী ৱাফম অদু সোনিয়া গান্ধীদা পীখৎলকখি। অদুম ওইনমক পার্টি অদুনা মখোয়গী দিমান্দশিং অদুদগী থৈদোক্তুনা চৎখ্রে। তঙাইফদনা আর্বিন্দ কেজ্রিৱালনা থবক্তগী ফম থাদোকপা মথৌ তাই হায়না দিক্সিটনা ফোঙদোরক্লি।

অদুম ওইনমক মহাকপু ফম থাদোক্কদবনি হায়নদি দিমান্দ তৌরোই। মহাক্কী মথক্তা আইনগী ওইবা চপ চাবা এক্সন লৌখৎপা দরকার লৈ। মহাকপু ফম থাদোক্লবগীদমক কংগ্রেসকী মিনিষ্টর অমত্তনা খোঙজং চংশিনবগী ৱাফম লৈতে।

নেসনেল কম্মিসন ফোর ৱুমেনগী চিয়ার পর্সন মমতাজ শর্ম্মনা য়ুমশকৈশা নুমিত্তা ফোঙদোকখিবদা, পুলিস ওফিসার অমনা ভারটিবু কৌরি। অদুগা খোঙজং চংশিনখিবদা য়াওখিবা মেম্বরশিংবু কিহনবগী থবক চথরি।

মমতানা মখা তানা দিমান্দ তৌখিবদা উগন্দাগী নুপী অদুনা চপ চানা ভরটিগী মথক্তা কমপ্লেন তৌরক্লবদি মহাক ফম থাদোকপা চুমগনি। ৱাফম অদুদা আর্বিন্দ কেজ্রিৱাল ফম থাদোকহন্নবা দিমান্দ তৌগনি হায়খি। উগন্দাগী নুপী অদুনা ভারটিবু মশক খঙবগা লোয়নননা মহাক্না চথখিবা মওং চাদবা লিচৎশিং অদুগী মতাংদা এক্সন লৌখৎহন্নিংবগী ৱাফম ফোঙদোরকখি। অদুম ওইনমক আম আদমী পার্টিনা সোমনাথ ভারটিগী মথক্তা করিগুম্বা এক্সন অমত্তা লৌখৎপগী ৱাফম লৈতে। মরমদি মদু প্রি–জুদিষ্ট ওইবা ৱাফমনি হায়না ফোঙদোরক্লি। উগন্দাগী নুপী অদুনা মহাক্না লোয়নবা নুপীমচা অমদা নাতে চাদবা থৌওং কয়া চথরকখিবা মীশকশিং মশক তাকপগী মনুংদা সোমনাথ ভরটিসু য়াওরি।

মমাংগী হাপ্তাদা সোমনাথ ভরটিনা মহাক্কী সপোর্টরশিংগা লোয়নননা উগন্দাগী নুপী অদুনা লৈরিবা পুলিস কষ্টদিদা লাকপগা লোয়নননা অহিং নোংয়াই অদুদা নাতে–চাদবা থৌওং কয়া চথরমখিবনি হায়রি। নুমিৎ অদুদা লো মিনিষ্টর অদুনা দিল্লি পুলিসকী পার্সোনেল খরদা অদুগুম্বা দ্রগ লল্লোনবা অমসুং প্রোষ্টিট্যুসনগী মরাল লৈরবা নুপী অদুগী মথক্তা কেস লৌখৎনবা খঙহল্লকখি।

অদুম ওইনমক দিল্লি পুলিসনা কেস অদু লৌখৎখিদে। মদুগী তুংদা আর্বিন্দ কেজ্রিৱাল অমসুং মিনিষ্টর কয়ানা অদুগুম্বা পুলিস পার্সোনেলশিং অদু সসপেন্দ তৌননবা দাবী তৌরদুনা খোঙজং চংশিল্লকখিবনি হায়রি।

## জি এস এল ভি–দি৫ মায় পাক্না থাগৎখিবা ইসরোগী দেলিগেটশিং প্রাইম মিনিষ্টরনা উনখ্রে



*নিউ দিল্লি, জনুৱারি* ২২ ঃ প্রাইম মিনিষ্টর মনহোহন সিংহনা মমাঙ চহীদা থাগৎখিবা মার্চ ওর্বিটর জি এস এল ভি–দি ৫ মায় পাক্না থাগৎখিবা ইন্দিয়ন স্পেস রিসর্চ ওর্গনাইজেশন (ইসরো) গী ওফিসিয়েলশিং উন্নদুনা মায় পাকপা অদুগীদমক থাগৎপা ফোঙদোকখ্রে।

ইসরোগী চ্যেরমেন দাঃ কে রাধা–কৃষ্ণনগা উন্নদুনা ৱারী শানখিবগা লোয়নননা মখোয়না স্পেসকী লম্‌দা পায়ৎলিবা থবক থৌরমশিং অদুগী মতাংদা চাউথোকচবসু ফোঙদোকখি।

স্পেস ইঞ্জিনীয়ারশিংনা মখোয়গী চপ চাবা মথৌ তৌদুনা লম্ অদুদা চাওখৎপগী মমি অদু ফোঙদোক্লি। মদুনা লৈবাক অসিগী ওইবা চাওখৎপা অমসুং সেক্যুরিটিগী থবক থৌরমশিংদসু অচৌবা থৌদাং লৌরক্কনি হায়বগী থাজবসু ফোঙদোকখি।

মহাক্না মখা তানা ওর্গনাইজেশন অদুনা অঙকপা ফংনা থবক তৌরে। মখোয়না তৌরিবা থবকশিং অদু থাগৎপা ফোঙদোকখি। লোয়নননা ওর্গনাইজেশন অদুগী থৌমীশিংনা লৈবাক অসিগী চাওখৎ থৌরাং অমসুং দিফেন্সকী লম্‌দা অচৌবা থৌরাং লৌরক্কনি হায়বগী থাজবসু ফোঙদোকখি।

চহি খরগী মমাঙদা ওইরম্বা ফিভম অদুদগী হৌজিক ওইরক্লবা ফিভম অসি শীংথানিংঙাই ওই হায়নসু ফোঙদোকখি।

## হোম মিনিষ্ট্রিনা এসএসবিদা অসামগী লালহৌলুপ এনদিএফবিগী মথক্তা ওপরেসন চথনবা খঙহনখ্রে

*নিউ দিল্লি, জনুৱারি* ২২ ঃ আইননা থিংখ্রবা এনদিএফবি গী থবক থৌরমশিং অসামদা কনখৎলকপগী মতুং ইন্না য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টরনা লৈবাক অসিগী পেরা মিলিটরি ফোর্স অমা ওইরিবা এস এস বি দা ষ্টেট অদুদা লুপ অদুনা চথরিবা থবক থৌরমশিং থিংননবা কাউন্টর ইন্সরজেন্সি ওপরেসন চথনবা খঙহনখ্রে। সাসস্ত্রা সিমা বাল (এস এস বি) লমদম অদুগা তাইনরিবা ঙমখৈগী লমদমশিংদা ঙমখৈ ঙাক্লনবা থবক তৌদুনা লৈরি। অদুম ওইনমক য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টরনা লমদম অদুদা ইরাং হেনগৎলক্লিবা অদু লাকশিন্নবগীদমক এস এস বি দা কাউন্টর ইন্সরজেন্সি ওপরেসন কয়া চথনবা য়াথং পীখ্রে হায়রি।

## কংগ্রেস পার্টি সরকার শেন্লবদি রাহুল গান্ধিনা প্রাইম মিনিষ্টর ওইগনিঃ চিদম্বরম

*নিউ দিল্লি, জনুৱারি* ২২ ঃ কংগ্রেস পার্টিগী মীফম্না রাহুল গান্ধিবু প্রাইম মিনিষ্টরগী মীরেপনি হায়না লাউথোকপা য়াখিদ্রবা মতুং নোংমা কোনবদা পার্টি অদুগী সেনিয়র লীদর সেনিয়র লীদর পি চিদম্বরমনা ঙসি য়ুমশকৈশা নুমিৎতা ফোঙদোকখিবদা, লাক্কদৌরিবা জেনরেল ইলেক্সন্দা কংগ্রেস পার্টিনা মায় পাক্তুনা সরকার শেন্লবদি রাহুল গান্ধিনা খ্বাইদগী মকোক থোংবা ফম অদু পায়গনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

ৱার্ল্ড ইকোনোমিক ফোরমগী মীফমদা ৱাফম অদু ফাইনান্স মিনিষ্টর পি চিদম্বরমনা ফোঙদোকখিবনি। লাক্লিবা লোক সভাগী মীখলদা পার্টি অমত্তনা চপ চাবা মেজোরিটি ফংবগী ৱাফম লৈত্রি। অদুম কংগ্রেসনা সরকার পায়রক্লবদি পার্টি অদুগী ভাইস প্রসিদেন্ট রাহুল গান্ধিনা প্রাইম মিনিষ্টর ওইরগনি হায়বদা অরানবা লৈরোই।

পার্টি অদুনা সরকার শেম্বা হায়বদু লাক্লিবা মীখল অদুগী রিজল্টকী মতুং ইন্না লেপকদবনি। মমাঙ চয়োলদা পাঙথোকখিবা এ আই সি সিগী মীফম অমনা রাহুল গান্ধিবু প্রাইম মিনিষ্টরগী মীরেপ অমা ওইনা লাউথোকপদা অয়াবা পীখিদবনি।

রাহুল গান্ধি চপ চানা মগুণ লৈরবা মীওই অমনি হায়না এ আই সি সিগী মীফম অদুদা ফোঙদোক্লখি। ভারতিয়া জনতা পার্টিগী প্রাইম মিনিষ্টরগী মীরেপ নরেন্দ্র মোদিদা মীৎয়েং থল্লদুনা মহাক্না হায়খিবদা, বি জে পিনা লৈবাক অসিগী কাঙলুপ খূদীংমক্কী লুচিংবা ওইবা নত্তে। মহাক্না মুসলিমশিংগী কেন্দিদেট অমা ওইবা য়ারোই হায়খি।

## ইজ্জৎ মাঙহনবগী কেসশিং লাকশিন্নবা ফিমেল কমান্দোশিং ত্রেনিং পীখ্রে

*নিউ দিল্লি, জনুৱারি* ২২ ঃ লৈবাক অসিগী কোনুং ওইরিবা দিল্লি থোকপা সেক্সুয়েল ভাইওলেন্সশিং লাকশি–ন্নবগীদমক নুপী কমান্দো য়ুনিটশিং ত্রেনিং পীবা হৌখ্রে।



দিল্লিদা ত্রেনিং পীরিবা নুপী কমান্দোশিং অদু মরু ওইনা মার্সেল আর্টস অমসুং মিলিটরি এক্সপর্টশিংনা ত্রেনিং পীবগী থবক চথরি। মদু মরু ওইনা দিল্লিগী নুমিদাংগী মতমদা পেট্রোলিং পাঙথোক্লবগীদমক চথখিবা ত্রেনিংনি হায়না *টাইম্‌স ওফ ইন্দিয়া* না ফোঙদোরক্লি।

ষ্টেট সরকারগী খ্বাইদগী নহা ওইরিবী চহী ২৬খক্তা ঙাইরিবী ৱুমেন এন্দ চাইল্ড ৱেলফিয়ার মিনিষ্টর রাখি বীরলানা পায়খৎলকখিবা থৌশীলগী মতুং ইন্না ৱুমেন কমান্দোশিং অদু ত্রেনিং পীবগী থবক চথখিবনি হায়রি।

চহী ২৩ শুরবী ফিজিওথেরাপি ছাত্রি অমা দিল্লিদা চেনবা বস অমগী মনুংদা ইজ্জৎ মাঙহনখিবা থৌদোক অদুগী মতুংদা লৈবাক অসিগী সরকারনা নুপীশিংগী মায়োক্তা চথবা সেক্সুয়েল ভাইওলেন্সশিং থিংননবা থবক লৌখৎলক্লি। অদুগুম্বা থৌদোক অদুদা লৈবাক শীনবা থুংনা নীকহনখিবনি হায়রি।

লৈবাক অসিদা থোক্লিবা নুপীশিংদা মীওৎ–মীনৈ চথবগী থৌদোক কয়াদা য়ূম্ফম ওইরগা ইন্দিয়াগী মীয়াম্না পুলিস অমসুং এদমিনিষ্ট্রেশনগী থবক তৌরিবশিংদা মরাল শীদুনা লাকখিবনি।

দিল্লিদা থোকখিবা বস মনুংগী থৌদোক অদুগী মতুংদা লৈবাক অসিদা চাদ ৩গী চাংদা নুপীদা মীওৎ–মীনৈগী চাং হেনগৎলক্লি হায়না মরী লৈনবা ওথোরিটিনা ফোঙদোরক্লি।

দিল্লিগী থৌদোক্কী মতুংদা ৱেষ্ট বেঙ্গলদা নহা ওইরিবী নুপী অমনা মঙোন্দা চথখিবা গেং রেপকী মতাংদা মীওইশিং অদু ফাগৎনবা ৱাকৎলকখ্রবা মতুং হায়রিবা নুপী অদু লৈখিদবদা লৈবাক অসিগী মফম কয়াদা খোঙজং কয়া চঙশিল্লপা লৈখ্রে।

দিল্লিগী ৱুমেন এন্দ চাইল্ড ৱেলফিয়ার মিনিষ্টর রাখি বীরলানা লৈবাক অসিদা নুপীশিংগী শাফগদবা ফীভম শেমগৎনবা থবক লৌখৎপা পাম্লি। লৈবাক অসিগী সিষ্টেম অসি অসুমক চথরি। অদুম ওইনমক, নুমিদাংগী মতমদা নুপীশিংবু পুদুনা চৎলিবা ট্রান্সপোর্ট সিষ্টেমগী মতাংদা তঙায়ফদবা শেমদোকপা য়াবা মফম কয়া লৈরি।

বীরলানা মখা তানা ফোঙদোক–খিবদা, দিল্লিদা নুপী পুলিস হেন্না শেমগৎতুনা পেট্রোল লিঙ্ক কয়া পাঙথোক্না ৱাফম ফোঙদোরক্লি।

দিল্লি পুলিসনা কমান্দো ফোর্সশিং থৌশাদে। মখোয়না তৌবা য়াবা খরখক্তমক তৌদুনা লৈরে হায়না সেন্টর ফোর সোসিয়েল রিসর্চকী রঞ্জনা কুমারিনা পাউমীশিংদা ফোঙদোক্লি।

ইন্দিয়াদা নুপী পুলিস য়ুনিট লৈহনবা অদু চান্নদবা ৱাফম অমা ওইরি। অদুম ওইনমক, লৈবাক অসিনা ৱুমেন কমান্দো য়ুনিটশিং দরকার লৈরি।

অসাম অমসুং রাজস্থানগুম্বা ষ্টেটশিংশিংদা ষ্টেট অদুনা নুপী পুলিস ষ্টেশনশিং লিংখৎনবা লাউথোকখিবা লৈখ্রে। অদুম ওইনমক, নুপী পুলিসশিং লৌবা হায়বদুদি দেলি সরকারগী মখূৎতা লৈতে। মদু নেশনেল গভর্ণমেন্টন্ট কন্ট্রোল তৌবনি হায়না বীরলানা ফোঙদোরক্লি।



*অগষ্টা ৱেষ্টলেন্দ হেলিকোপ্টর স্কামগা মরী লৈননা সেন্ট্রেল ব্যুরো ওফ ইনভেষ্টিগেশননা লো মিনিষ্টরগী অয়াবা লৌবগা লোয়নননা ৱেষ্ট বেঙ্গল অমসুং গোৱাগী এম কে নরায়ন অমদি বি ভি ৱানচুবু ৱাহং পাউহং চথবা পাম্লি*